# থায়না মমাঙঙৈগী ওলিম্পিক গেমস ওলিম্পিয়া

- লৈশাংথেম অজিৎ -

ওলিম্পিয়া, গ্রিস লৈবাক্কী খা-নোংচুপ্তা লৈবা উপাল-ৱাপালনা লৈতেংবা পূক্লিং হুনা নিংথিজরবা তম্পাক মচা অমনি। তম্পাক অসিদা মমাঙঙৈদা গ্রিকশিংনা চহী মরি-মরি লৈরগা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্লম্মী। গ্রিক্কী লাইনিংথৌ জিউসকী মফমদা ঈরাৎ-থৌনিবা অমসুং শান্ন-খোৎনবদা অথোই-অহেন তান্নবনা ওম্পিক গেমসকী মপূং ওইবা থৌরমশিং ওইরম্মী।

অৱাং থংবা লেটিচুট ৩৭° ৪০´´ অমসুং নোংপোক থংবা লোঙ্গিচুট ২১° ৩৯´´ দা লৈবা তুরেলগী লৈঙোইনা হাজিল্লগা শেন্বা তম্পাক অসিগী অৱাংদা অসুকপা উমং-ৱামংনা কুপশিনবা চিংলেন্নবা ক্রোন্নস চীংজাও লৈ। এলফিয়স তুরেলনা ঈচেল তপ্না চেন্দুনা লাইফম অসিগী খা থংবা ঙমখৈ শেন্মী, নোংচুপ থংবা চিদাইদা চেনবা ক্লাওদিয়স তুরেলনা এলফিয়সতা তিল্লগা ইরোং অমা শেমদুনা হরাও কুম্মৈ তৌফম অসি মায়কৈ অহুমদা মহৌশাগী খূৎশেম্না কোয়শিল্লি। ক্রোন্নস চীংখোঙদগী মখারোমদা খোঙকাপ ২০০ রোম চৎলগা মমায় নোংপোক ওন্দুনা শাবা জিউসকী অচৌবা লাইশঙ অমা লৈ। লাইশঙ অসি ইলিসকী যূম শাবা লিবোন্না খৃষ্ট মমাঙ ৪৬০দা শারম্বনি। লাইশঙ অসিদা চারমিদেশকী মচানুপা এথেনসকী লাই শাবা ফিদিয়সনা খৃষ্ট মমাঙ ৪৩৮দগী হৌদুনা চহী মঙা চঙনা শামু-ময়া অমসুং সনানা শাবা মালেমগী অঙকপা তরেৎকী মনুংদা অমা ওইবা জিউসকী অচৌবা শক্তম অমা ঈরাৎলম্মী। গ্রিস পূন্নমক্কী মপু ওইরিবা লাইনিংথৌ অসি ফিদিয়সনা অৱাংবা তাংবল অমদা ফমহল্লম্মী। মখূৎ য়েত্তা মায়-পাকপগী লাইরেন্বী Nike কী শক্তম মচা অমা পায়হল্লম্মী, মখূৎ ওইদা নিংথৌগী ৱায়েনচৈ অমা পায়হল্লি, মখদাং মখাদা মকোই চোমহল্লি অমসুং চোরফোন মসা মচা অমা মশম মথক্তা কোয়না য়েৎলম্মী, মহাক্কী মতিক-মগুন লৈরবা, চীংলেম্বা, পূন্নমকপু চৈরাক পীবসু ঙম্বা শক্তম অসি উবদা গ্রিস পূন্নমক অৱা-অনা কাউরম্মী।

লাইশঙ অসিগী মায়কৈ অহুমদা লৈপলনা চুথেক নাইরপ্না খাজিল্লি। অৱাংথংবা লৈপলদি ক্রোন্নস চীংজাওনা ওইরম্মী। লৈপল অহুম অদুগী অমমমগী অশাংবদি মিটর ১৯২.২৮ রোমনি। লৈপল মনুং অসিবু অশোংবা মফমনি হায়না লৌনরম্মী। মসিবু 'অলতিশ' হায়না খঙনৈ। অলটিশ মনুংদা জিউসকী লাইশঙ নত্তবা অতোপ্পা লাইশঙ অমসুং খুভম কয়ামুক লৈরি। জিউস লাইশঙগী অৱাংদা চীংখোঙ ময়া-নকশিন্না হেরা-লাইরেম্বীগী লাইশঙ লৈ। লাইশঙ অসি জিউসকী লাইশঙগা পরিং অমত্তদা মমাই নোংপোক ওন্দুনা শাবা অলটিশ মনুংগী লাইশঙশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী লিরবা শঙলেননি। পাওশানিয়াসনা ইরম্বদি লাইশঙ অসিদা তাঙবল অমদা ফমদুনা লৈবী হেরা লাইরেম্বীগী মনাক্তা জিউসনা লেপ্পুনা লৈবগী শক্তমশিং লৈ। লাইশঙ অমা তোঙান্না শাদ্রিবা ফাওবা মসি লাইনিংথৌ-লাইরেম্বী অনীগী অপূনবা লাইশঙ ওইরম্মী। জিউস অমসুং হেরাগী লাইশঙ অসিগী মরক্তা ইলিসকী থৌনা ফবা পেলোপসকী খুভম লৈ। খুভম অসিগী অকোয়বদা ফক্লাং খাগৎলম্মী। মথক্তি কুপ্লমদে, ফক্লাং মনুংদা উ-ৱা কয়ামরুম হৌরম্মী অমদি শক্তম কয়ামুক শাদুনা থনম্মী। পেলোপসকী খুভম অসিগী শুমাংদা অচৌবা মৈফম অমা লৈরম্মী। য়েরুম-মওং মাল্লপ তৌনা কোয়বা, চাওরাক্লা খোঙকাপ হুম্ফুরোম্না অকোয়বা অদু ওইবা অশেংবা মৈফম অদু কাংথক অমা ওইনা শেম্লম্মী। মৈফম অসিদা গ্রিসশিংনা জিউসতা শা-ষণ, ওক্লচিংবা কত্তুনা মৈ থাদোক্লম্মী। কাংথক অসিদা কাখৎনবা থাক-থাকশিং লৈ, তৌইগুম্বসুং জিউসতা কত্তুনা মৈ থাদোকখিবা শাশিংগী উৎ, শরূ অমদি চাকপা লোইদবা শাদুমশিংনা অসুম-অসুম পৈখৎলক্তুনা মফম অসি অচৌবা লৈপুঙ অমগুম্না চাউরাক্লা মিটর ৬.৭ হায়বদি ফুট ২২ রোম ৱাংলম্মী।

হেরা লাইরেম্বীগী লাইশঙ মনীং ওইরপ্না ফিল্লিপিয়ম হায়না খঙনবা কোয়রক-কোয়বা মওংদা শাবা শঙলেন অমা লৈরম্মী। শঙলেন অসি মেসোদোনগী নিংথৌ ফিল্লিপনা চিরোনিয়া কৌবা মফমদা গ্রিকশিংবু খৃষ্ট মমাঙ ৩৩৮দা মায়থীবা পীখিববু নীংশিংনবা শাখিবনি। শঙলেন অসিদা নিংথৌ ফিল্লিপ, মহাক্কী মচানিপা অলেকজেন্দর অমসুং নিংথৌগী ইমুং-মনুংগী শক্তমশিং শামু ময়া অমসুং সনানা শারগা থনম্মী।




প্রিতানিয়ম (Prytaneum) কৌবা ওলিম্পিক্তা মায় পাক্লবা শান্নরোয়শিংবু হরাও তয়াম্না ওক্তুনা পীজ-পীথক তৌবা, যূমজাও অমা অলতিশকী অৱাং নোংচুপ্তা ক্রোন্নসকী চীংখোঙদা লৈ। মায় পাক্লবা শান্নরোয়শিংবু পীজ-পীথক তৌনবগীদমক যূমজাও অসিগী চাকশঙ অদু মতম চূপ্পদা মৈ মুৎলমদে।

অলটিশকী নোংপোক থংবা লৈপলদা পরিং ওইনা য়াম্না নকশিন্না ফক্লাংদা লাই য়াম্না য়েকপা অমসুং ৱা ঙাঙবদা খোন্থাং তরেৎ নৎত্রগা হেন্না থোকপা ষ্টোঅ-পোয়কিলে (Stoa Poikile) কৌবা শঙ অমসু লৈরম্মী। খোন্থাং য়াম্না থোকই হায়দুনা শঙ অসিবু ইকো-কোলোনাদ (Eco Colonade) হায়নসু খঙনরম্মী।

জিউসতা কৎলকপা সনা-লুপা অমদি মমল য়াম্লবা অতাঙবা পোৎ-চৈশিং থম্নবা শঙ তরানিথোই পরেং শানা মমায় মখা ওন্দুনা অলতিশকী চীংখৈদা, ক্রোন্নসকী চীংখোঙদা শারম্মী। লন থুম থম্নবা শঙশিং অসিগী মনুংদা মঙাদি সিসিলি অমসুং ইটালিগী সহরশিংনা কৎলকপনি। সাইরাক্সকী লুচিংবা হিরোন্না ইক্রসকানশিংবু সিমদা মায়থীবা পবদা লৌরকপা, লান্মীগী মকোক্তা উপনবা শেঙ্গেংগী তুপী অমা ওলিম্পিয়াগী লন-থুম থমফমশিং অসিদা থম্নবা কৎলম্মী। তুপী অসি হৌজিক লণ্ডনগী ম্যুজিয়মদা লৈ।

মমল য়ান্বা পোৎ চৈ থম্নবা যূমশিং অসিগী মমাঙদা লম্বেল অমা লৈ, লম্বেল অসিগা অলতিশকী নোংপোক্তা লৈপল ৱাংমদা লৈবা ষ্টেদিয়মগা শম্নৈ। যূমশিং অসিগী মায়োক্লবা লম্বেল অসিগী ৱাংমদা জিউসকী শক্তম পরেং শানা শেঙ্গেংনা শারগা থনম্মী। শক্তমশিং অসি ওলিম্পিক্তা শান্নবগী কাঙলোন থুগাইবা, নমথাক তৌবা শান্নরোয়শিংদগী কোংলকপা শেলফমশিং অদুদগী শাবনি। খৃষ্ট মমাঙ ৭৭৬তগী খৃষ্ট পোক্লবা মতুং ৩৯৩ ফাওবদা জিউসকী শক্তম ১৬ খক্তমক শারম্মী।

অলতিশকী লৈপল ৱাংমদা ষ্টেদিয়ম্না খ্বাইদগী মরুওইবা মফম ওইরম্মী। ষ্টেদিয়ম অসি অহানবদি অলটিশতগী তোঙান্না থল্লমদে, জিউসকী শুমাংদা লমজেল তান্নরম্মী। খৃষ্ট মমাঙ মরিশুবা সেঞ্চুরিদা ষ্টেদিয়ম অসি নোংপোকলোমদা চাউরাক্লা মিটর ৮২ রোম অমদি অৱাংদা খজিক্তং চৎখৎনা হোংদোক্লম্মী।

ষ্টেদিয়মদা মিটর ২১০ রোম শাংবা মিটর ৩২ রোম পাকপা লমজেল চেনফম লৈরম্মী। মসিদা মিটর ১৯২.৮গী লমশাং অমা হক্তুনা থম্মী। লমশাং অসি ওলিম্পিক ফুট ৬০০ কা মান্নৈ। লমশাং অসিগী অরোইবা মতাই অনীদা লমথাফম মিটর ৩২ শাংনা নূং থাদুনা হক্তুনা থম্মী। মফম অসিদা অমুক্তদা মী ২০ লমজেল থাবা য়াই।

জজশিংগী মকোক হেল্লানোদিকাইগী ফম্নবা নূংফাল অমা লমজেল চেনফমগী মখা থংবা মতাইদা থম্মী। নূংফাল অদু লমথুংফমদগী লমশাং অদুগী শরুক অহুম থোকপগী অমা লাপ্পা মফমদা লৈরম্মী। লমজেল চেনবগী মায়ওন্দি নোংচুপ-নোংপোকনি। মরম অসিনা অলটিশ রোমদগী লমথারম্মী। ষ্টেদিয়মগী অকোয়বদা লৈরং তাখত্তুনা মীৎয়েংলোইশিংনা কুম্মৈ য়েংনবা শেম্লম্মী। অৱাং থংবা শরুক্তি ক্রোন্নস চীংমায়দগী কুম্মৈ য়েংবা য়ারম্মী। কুম্মৈ য়েংফমগা লমজেল চেনফমগা অনীগী মরক্তা অনেম্বা পল অমা খারম্মী, পল অদুগী নাকন্দা নূংনা চনবা মরক্তা ঈশিং তুংফম লৈবা খোং মচা অমা শেমদুনা ঈশিং চেলহল্লি।

ষ্টেদিয়ম নত্তবা অলটিশকী ৱাংমদা মসিগী অকোয়বদা লৈবা শিংথানবা য়াবা শঙলেনশিং অমদি অতৈ শান্নফমশিংদি লিওনিদয়ম (Leonidaeum), পালেষ্ট্রা (Palestra), জিম্নাজিয়ম (Gymnasium), বলিউটরিওন (Bouliterion), হিপ্পোদ্রোম (Hippodrom) অমসুং ফিদিয়সকী লাই শাফম্নচিংবনি।

অলটিশকী মখা থংবা লৈপল ৱাংমদা মৈফমগী মপাদা বলিউটরিওন লৈরম্মী। মসি মীয়ামগী ৱা তানফম শঙলেননি। শঙলেন অসি মমায় নোংচুপ ওল্লি, মসিগী মতাই অনীদগী চপ মান্নবা শরুক অনীখক নোংচুপলোমদা ইন্থোরক্লম্মী। ইন্থোরক্লিবা শরুক অনী অসিগী মরক্তা লৈবা শুমাং-ময়ায়দা জিউসকী শক্তম অমা লৈরম্মী। শক্তম অসিবু জিউস হোরকিওস হায়বদি ৱাশক লৌবদা ময়ায় তাংবল লৌরিবা জিউস হায়না খঙনৈ। মরমদি এথলেটশিংনা শক্তম অসিগী মমাঙদা লেপ্লগা ওলিম্পিক গেমসতা শরুক য়াবা মতমদা শান্নবগী কাঙলোন ঙাক্লা চৎকনি হায়না ৱাশক লৌরম্মী। ষ্টেদিয়মগা থংনবা মখা থংবা লৈতেম মান্নবা, এলফিয়স তুরেল মপান ফাওবা শন্দোক্তুনা লৈবা লমহাংদা শগোল লমজেল অমসুং শগোলনা চিংদুনা পুবা দোলাইগী (চেরিওট) লমজেল তান্নফম হিপ্পোদ্রাম লৈরম্মী।

মীরৈবাক্তগী লাকপা ফম্নাইবা, অচৌ-অশাং অমসুং মশক্লাইবশিংনা ওলিম্পিক য়েংবা লাকপদা লিওনিদেয়ম (Leonidaeum) কৌবা অচৌবা যূমজাও অমদা লৈহল্লম্মী। যূমজাও অসি ফিদিয়সকী লাই শাফম শঙ অদুগা থংনরে। অলটিশতা লাৎলিবা জিউসকী শক্তম শাখিবা এথেন্সকী লাই শাবা ফিদিয়সকী লাই শাফম শঙ, থবক শূফম অমা লৈরম্বগী খুদম অলটিশকী মোইরাং লাইজিদা ইকুই কুইদনা কুমজা ১৯৫৪দগী কুমজা ১৯৫৮ ফাওবা মফম অদু তৌথোকপদা থেংনখি। মথক্কী থবক শূফম অদুগী অকোয়বদা তৌথোকপদা লাই শাবগী খূৎশু-খূৎলায়শিং, লুপা, শামু-ময়া, লাই শাখিবগী অরেম্বা মকুপ, শরূ, লিক্লিগী পোৎনচিংবা য়াম্না ফংলম্মী। অসিদা অমুক্কা হেন্না থাজবনা *'মগ'* অমগী মনীংদা *'ঐ ফিদিয়স কিনি'* (মপোৎনি) হায়না থাবা অমসু মফম অসিদগী ফংলম্মী। মহাক্কী থবক শূফম অসিগী অৱাংদা পরেং শানা লৈপলগী নোংচুপ থংবা নাকলদা পলেষ্ট্রা, জিম্নাজিয়ম, লিওনিদেয়ম অমসুং মথক কূপ্পা লমজেল চেনফম্নচিংবা লৈ। পলেষ্ট্রা বোক্সিং অমসুং রেষ্টলিং ঔরাইনবা (তম্নবা) অচৌবা শঙলেন অমনি। থৌরম অনী অসিগী অথোই অহেন তান্নফমদি অলটিশ মনুংদা লৈবা অশেংবা মৈফমগী অকোয়বদা লৈবা জিউসকী শুমাংদা ওইরম্মী।

অথাপ্পা অমসুং অনকপদা লৈবা গ্রিকশিংনা মফম অসিদা (ওলিম্পিয়াদা) লাক্তুনা গেমস অসিদা শরুক য়ারম্মী। অহানবদা পেলোপোনোশিয়াদংগী ওইনা ইলিশ, পিশা, স্পার্টান, আর্কিদিয়ান, আরগোলিশ অমসুং মেশেনিয়ানচিংবা লৈবাক খক্তনা শরুক য়ারম্বদগী খৃষ্ট মমাঙ তরুকশুবা সেঞ্চুরিদগী গেমস অসি গ্রিস পূম্বা শন্দোকখিদুনা অথাপ্পদা লৈবা গ্রিকশিংসু গেমস অসিদা শরুক য়াবা হৌনরকপদা নত্তনা গ্রিক্কী লোইলমশিংসু গেমস অসিদা শরুক য়ারম্মী।

এজিয়ান সমুদ্র মপান্দা তাবা গ্রিসকী খম থেংবা চীংখৈদা লৈবা থ্রশি কৌবা লৈবাক্তগী শান্নরোয়শিং, লৈবাক অসিগী খা থংবদা লৈবা এজিয়ান সমুদ্রগী নোংপোক্তা পরেং শানা, খা পাংনা লৈবা থাশোশ, শেমোথ্রেকী, লিমনোশ, লেশভোশ, চিওশ, সামোশ, পাটমোশ, কোশ অমসুং রোহদস ঈথৎশিং গ্রিকশিংনা ক্রিট হায়না কৌবা এজিয়ান সমুদ্রবু মখা থংবা শরুক্তা ফৈগাক ফৈনা থৎলিবা, ক্রেটি ঈথৎতগী শান্নরোয়শিংনা ওলিম্পিয়া তান্না ঈশিং লম্বীদা লাক্তুনা ওলিম্পিক্তা শরুক য়ারম্মী।

এজিয়ান সমুদ্রগী ঈয়াইদা অমদি ক্রেট ঈথৎকী অৱাংদা লৈবা মেলোশ, দেলোশ, সানতোরিনি অমসুং মাইলোনোশনচিংবা ঈথৎশিংদগী অকল-অথৌনা ওলিম্পিয়া তান্না লাক্তুনা মরৈবাক্কী মীংচৎ পুরক্লম্মী। গ্রিসকী নোংচুপ্তা লৈবা আইওন সমুদ্রগী খা-ৱাংদা শন্দোক্তুনা লৈরিবা কোরফু, লেফকাশ, কেফালোনিয়া অমদি জাকিন্থোশ কৌবা ঈথৎশিংগী শান্নরোয়শিংনা মখোয়গী পুন্সিগী অমত্তা ঙাইরবা পন্থুং ওলিম্পিয়াদা হৌবা চোরফোল মনানা শেম্বা লুহুপ অদু মকোক্তা অমুক্তা উপ্পা ফংজগে হায়দুনা ঈশিং লম্বীদা লাক্তুনা ওলিম্পিয়াদা জিউসপু খুরুমজরম্মী।

মথৌনা লৈরবা এথেনস মচাশিং, কল্লবা মেসোদোনিয়াগী শান্নরোয়শিং, মরীল লৈরবা থেসেলিগী নহারোলশিং, মরৌশিং চাউবা অতিকা অমদি অতৈ অতৈ গ্রিস লৈবাকশিংগী শান্নরোয়শিংনা গেমস অসিদা শরুক য়ারম্মী। ইটলি অমদি সিসিলিদা লৈবা গ্রিসকী লোয়লমশিং অমসুং ব্রেক-সি মপান্দা তাবা লোইলমশিংসু মমৈদদি ওলিম্পিক্তা শরুক য়াবগী খুদোংচাবা পীরম্মী।

ওলিম্পিক গেমস করম্না হৌরকপগে হায়বা খঙনবা হোৎনবদা অরায়বা থবক ওইদে, অদুবু গেমশিং অসি গ্রিসকী লাইনিংথৌ জিউসপু ঈরাৎ থৌনিবগা লোয়ননা ইকায়খুম্নবা ওইনা পাঙথোকপা কুম্মৈনি। গেমশিং অসি করম্না হৌরকপগে হায়বগী মরমদা মীগা লাইগা তিন্নরিঙৈ মতমগী তোঙান তোঙানবা ৱারী লৈ। ৱারী অমগী মতুংইন্না জিউসনা ক্রোন্নসপু মায়থীবা পীদুনা লাইশিংগী নিংথৌ ওইবা মতমদা হরাওবা ফোঙদোক্তুনা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্লম্মী।

অতোপ্পা ৱারী অমনা হারকুলিসনা অগিয়স নিংথৌবু হাৎপা মতমদা মায় পাকপগী নুংঙাইবা ফোঙদোক্তুনা ওলিম্পিক পাঙথোকপা হৌখি। অগিয়সনা হারকুলিসপু মহাক্কী অচৌবা শঙ্গোল অদু শেংহনখি, হারকুলিসনা মীওইবনা তৌঙমদবা থবক তৌদুনা, তুরেল ঈথৈরগা ঈশিং থাজিন্দুনা শঙ্গোল অদু শেংদোক্লম্মী। মদুগীদমক অগিয়সনা তৌবীমল খঙবা অমত্তা উৎলমদে, মরম অদুনা মহাক্লা শাউদুনা অগিয়সকী শঙ্গোলদগী ষণশিং থাদোকখি অমসুং মহাকপু হাৎখি।

খৃষ্ট মমাঙ ১৩৭০গী মতম অদুৱাইদা ওলিম্পিয়াদা রিহআ (Rhea) লাইরেম্বীদা ঈরাৎ থৌনিবগীদমক গ্রিকশিং নোংঙাল্লমদাইদা মৈরা পায়দুনা মহাক্কী লাইশঙ তান্না চৎলম্মী। মখোয়না মহাক্কী লাইশঙদা লৈবা মৈফম অদু তান্না চেন্দুনা মৈ চুখৎপা হানবা তান্নরম্মী। অসুম্না চেনবদগী অমগা অমগা অঙম তান্নবগী ঈহৌ অমা লাকখি। ঈহৌ অসিগা ইরোয়ননা রিহআগী মশাইগোন্দা লমজেন্না মপূং ওইদুনা শান্ন-খোৎনবগী থৌরম কয়া অমুক পাঙথোক্লম্মী। পেলোপসনা শগোলনচিংদুনা পুবা দোলাই, চেরিওট লমজেলদা ওনোমসপু (Oenomous) মায়থীবা পীদুনা মচানুপী হিপোদিমিয়া (Hippodeamia) গা লুহোংলম্মী। মতুংদা মহাক্লা ইলিশকী নিংথৌ ওইরবা মতমদা মহাক্লা মায় পাকখিবা অদু নীংশিংবা ওইনা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোক্লম্মী।

হোম্মরনা ইলিয়াদতা ফোঙদোক্লম্বদি ত্রোজানগী লান্দা পেত্রোক্লসপু ত্রোয়গী নিংথৌমচা হেক্তরনা হাৎপা মতমদা পেত্রোক্লসকী পোলোয়বদা গেমশিং অসি পাঙথোকপা হৌখিবনি।

মীগা লাইগা শম্নরিঙৈগী ৱারী লিখুনশিং অসিগী মখা তারকপদা ইতিহাসিক ওইনা অকক্লবা চহী খঙনা গেমশিং অসিবু স্পার্টাগী লাইকরগস অমসুং ইলিশকী ইফিতসনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা অহানবা ওইনা খৃষ্ট মমাঙ ৭৭৬তা পাঙথোকখি। অহানবা ওলিম্পিক অসিদা ষ্টেদিয়া হায়না খঙনবা চাউরাক্লা মিটর ১৯২.৮ নৎত্রগা ওলিম্পিক ফুট ৬০০ শাংবা খোঙলমজেলনা গেমস অদুগী অমত্তা ঙাইরবা থৌরম ওইরম্মী। লমজেল অদুদা ইলিসকী চাকথোংবা কোরোইবসনা থোইদুনা মহাক্লা অহানবা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইখি। ●

# খাঙবোক অমসুং ইকোপনিংথৌ পুয়া

## (খুঙ্গং অমসুং মসিদা লৈরিবা খুদিংমক মমুৎ তানা খঙলগদবা লাইরিক অমা)

| | | |
|---|---|---|
| মমিং | - | খাঙবোক অমসুং ইকোপনিংথৌ পুয়া |
| অইবা | - | লাইশ্রম তোম্বা খুমন |
| অফোংবা | - | খোলশিলম খাঙবোক্কীদমক খুঞ্জামযুম নিঙোল লাইশ্রম ওংবী পিশক লৈমা |
| অফোংবা চহি | - | ২০১৯ |
| মখল | - | অরি-অনৌগী নৈনরোল |
| পাওদম্লিবা | - | দা. কে ঐচ জুগিন্দ্রো (এসোসিয়েৎ প্রোফেসর থৌবাল কোলেজ, থৌবাল) |

খাঙবোক অমসুং ইকোপ নিংথৌগী মমিং মৈতৈ লৈপাক্লা খঙদবা য়াওরম্লোই হায়না থাজে। কনাগুম্বা মনুং মপাল মমুৎ তানা খঙবিগে হায়রবদি লাইরিক অসি নৈনবা তঙাই ফদে হায়জনিংই। খুঙ্গং অসি মৈতৈ লৈপাক্কী খ্বাইদগী চাওরবা খুঙ্গংশিংগী মনুংদা অমনি হায়বসি য়ান্নরবা ৱাফম্নি। খুঙ্গং অসি মহৌশা লাইরেম্বীনা তম্বীরম্বা খুদোল খুদিংমক অমত্ত ৱাৎতনা লৈবা খুঙ্গংনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অইবনা লাইরিক অসি তাঙ্কক অনি থোক্লা খাইদোকই।

অহানবা তাঙ্কক:

নেসনল হায়ৱে ৩৯ (১০২) না খুঙ্গং অসিগী ময়ায়দা ফাওখিদুনা ইন্দো ম্যেনমারগা তাইনবা ঙমখৈ সহর মোরে ফাওদোকখিদুনা এসিয়ান হায়ৱে নেটৱার্ক ওইরি। মফম অসিদা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা মীতৈ/মৈতৈগী লাই (উমং লাই) গী অরিবা লাইশঙ মরাঙ কাইনা লৈ। মীতৈনা হিন্দু ওইরবা মতমদগীসু হিন্দুগী লাইশঙ মরাং কাইনা উবা ফংবিগনি। মীতৈ/মৈতৈ অমসুং হিন্দুগী লাইনিং লিচৎ চৎলি। মখা তানা অইবনা ইরিবদি খুঙ্গং অসিগী অপুনবা পাক চাওবা স্কৱার কিলোমিতর (২০.৪৭ কিলোমিটর), (৭.৯০ স্কৱার মাইল), লৈমাইগী ফীভম্না অৱাং নোংপোক্তগী খা নোংচুপ্তা নেমথবা লৈতেম মান্নবা লম্নি। লৈমাইগী ৱাংবগী চাংনা ইয়াচাও ঈমাইদগী মিতর ৭৮১ (ফুত ২৫৬২) নি, কুমজা ২০১১ গী মতুংইন্না মীশিংনা ১৬৫১৮ নি। নুপা ৭১৪৪, নুপী ৭২০০ অমসুং অঙাং ২১৭৪ নি। লাইরিক হৈবগী চাংনা ৭২% (নুপা ৮২.৫০% নুপীনা ৬৯.৭১%)। অপুনবা যুম ৪৩২২ নি। অইবনা কয়া য়াম্না কুপ্না থিজিনবগে হায়বদু য়েংসি। কুমজা ১৯৬০ দা অপুনবা পাট্টা মশীং ২৫৮৬-দাগ মশীং ১৪৫০০ নি লোয়ননা লৈঙাক্তা চহিদা কাবা শেলফম লম্বালশেল লুপা ৭০,৯৯৪.২৬ নি। কুমজা ২০১৫-২০১৬ দা অপুনবা লৈঙাক্কী থবক তৌবা মশীং ৮৫৭ নুপা, ৬৯ নুপীনি। অপুনবা নুপা পেন্সনর ৮৫, নুপী ৩৬, ফেমেলি পেন্সনর ২১ নি। অইবগী ৱাখলবু ঙক্তে হায়বা য়ারোইদবা অমনা কুমজা ২০১৭ কি মতুংইন্না পখ্রা ৯৫, লুখ্রাবীনা ৫০৮ নি, কয়াদা কুপ্না থিজিল্লম্লিবা থাগৎনিঙাইনি।

লমদম অসিগী লমিৎ-তুমিৎ, লম্বী-থোং, ইকোন, পাৎ, খুৎশা হৈবগী শেলম্মিৎলোন, লৌউ-শিংউগী চগা, শা ষণ লোয়বদগী কারকপা শেলফম, লম্বী থোং ফগৎলকপদগী কান্নবা ফংলকপা, শান্নবুঙনচিংবা অমত্ত চিথদনা মিৎতা হেক শক্তমদু উহনবগুম উহনবা ঙম্বা অইবগী থোইদোকপা ময়াই অমা উবা ফংই। মসিমক অখন্নবা মীওই খরখক্তদা উবা ফংগনি। ময়মসিগী মরক্তগী খুদম অমা/অনী খনগৎতুনা য়েংসি।

গুনে ইকোন কুমজা ১৯৪৩ দা তৌখিবা ইকোননি। ইকোনসি তৌবদা নোংমদা মী অমদা শিকি অমা পীবগী ৱারী, ইঙেলৈ ইকোন, লাইনা পীবা শেলনা মীয়ামদা ইকোন তৌরগা কথোক্লম্বা, অতোনস্নানা মাগী লম কথোক্লগা তৌখিবা ইকোন, ইমোইনু ইকোনদা ঙা ময়াম্না জগোই শাথেক তৌখিবা খুদিংমক অমত্তা চিৎথদনা মিৎতা হেক উবগুম উহল্লি। মতৌ করম্না অকাওবগী পরৈ চল্লক্লবশিংসি ঙসিদা থোকপগুম অইবগী খোর্জৈনা তশেংনা উৎলি। লৈরমদবা লম্বী কয়া লৈরকপগী পুৱারী, লৈরম্বা পাৎ কয়াগী মশক মুৎখিবা, লৈরম্বা উরোক থোং কয়াগী মহুত্তা পক্কাগী থোং ওইখিবা, লাইরিক তম্ফম শঙ সুপ্নগী অমতং লৈরম্বদগী মশীং খঙদনা লৈরকপা অসিগুম্বা অহোংবা কয়া অমসু অমত্ত চিৎথদনা অইবনা হৈ শিংনা খুৎ থাই। নিংঙোল চনু/হায়জবদা লশিং পোলাং, লশিংদুনা ফি ওইনবা কপত্রেংনচিংবা শীজিন্নরম্বা, অঙাং উনবদা খোইরি ককপদা ৱাকথৌ শীজিন্নরম্বা, হিদাকপু শীজিন্নরম্বা, হৌজিক্তি মঙলানগী মশক ওইরবা কয়া অমা নিংথিনা লৈতেংলগা উহল্লি। অসিগুম্বা অইবা তাঙনা ফংই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। অইবগী খোর্জৈনা ১৯৩০ দা মেত্রিকুলেসন পাস তৌখিবা ফাওবা পুথোক্তুনা উৎলিবা অসিসু তরাইনা লৌবা য়ারোই। খাঙবোক্তা চেল্লম্বা ৱাংজিং তুরেল তেন্থাদা মতৌ করম্না চেলহনখিবা কনানা নীংশিংগনি।

অনীশুবা তাঙ্কক: উমং লাই হরাওবা, ইকোপ নিংথৌ শাফোংবা ইকোপ নিংথৌগা লোয়ননা লৈবা উমং লাইশিং, খোইপু চনু, খল্লাংবা, নুঙলৈমা নুংলাওবী, ইরাই লৈমা, পান্থোইবী, নোংপোক নিংথৌ, ইবুধৌ মঙা, খুমন পোকপা, অপোকপা, হাওরৈমা শমপুবী, ইমোইনু, ইবুধৌ শঙলেন মাপল শাফোংবা, মতিক ময়াই, ইকোপ নিংথৌগী লাইবুঙ, শঙলেন শেমগৎপা, ইকোপ নিংথৌগী ফম্নাইবা, মুক্লা য়াইফবা অসিনচিংবা মমুৎ তানা মনুং থিৎনা শুগাইনা অইবগী খোর্জৈনা কাচিন-কোয়া য়ৌনা অপাবগী মীত্তা তরং-তরং ইরায় লায়না উহনবা ঙম্বগী পান্বৈ ময়েক শেংনা য়াওই। মরমসিনা অইববু তরাইনা লৌবা য়ারোইদৌরি। মসিগী মতাংদা পুয়া মমুৎ তানা খঙলবা অমগী ৱাহৈদা "খাঙবোক খুঙ্গংগী পুৱারীদা যুম্ফম ওইবা লাইরিক অসি পুথোকপসি, থায়নগী লাইগা থংনবা মাইচৌশিংগী ফিদাদা চঙশিনবনি হায়দবা য়ারোই, খুৎয়েক অসি ঙসিগী খুনাই অসিদদি লময়ানবনি"। মহৈ য়াল্লবা ৱাহৈ চবুলনা লাইরিক্কী থৱাই ওইহল্লিবা অইবগী খুৎয়েক মতমগী অইবশিংগী মরক্তা অতাঙবনি। অতোপ্পা দোক্টরেট অমনা "খুঙ্গংসিগী অরিবা অমসুং অনৌবা পুকৈশিংবু লাইরিক ওইনা ইথোকপিদুনা থম্বীবগীদমক অইববু সাহিত্য লৈকোলদা শাৎপা লৈরাং কয়াগী লৈশক লৈচু হেনবা অমা ওইনা অমদি লিকফাংগী শুমেরু ওইবা মপুনা পীনবিবা ওইরগনি। লোইনাইদবা অঙকপা পরেং কয়ানা ওইথোক্কনি থাজদবা কয়া অমা ওইথোকপগী খুদম চাংদম পিরকপা অসিনা অইবা অসিগী রিসার্চ থৌদৌ অসি মালেমদা অতাঙবনি হায়দবা য়ারোই। চাওরবা খুঙ্গং খাঙবোক অসিদা অসিগুম্বা অইবা মহাক্লা ইহান হানবনি হায়বসি য়াম্না শেংলবা ককপা য়াররোইদবা অমা ওইরি। খাঙবোক্কী ইকোপ নিংথৌ হৈরোক্তা লৈবা লোঙলাওবুংদা পুরগা নোং তাখি হায়বসি মীতৈ মীয়াম্না খঙলবা ৱারীনি। খাঙবোক্তা লাইরেল অমসুং ইরোই অঙৌবা লৈবা য়াদে হায়বসু খাঙবোক্কী অহল লমন্না ময়েক শেংনা খঙই। অসিগুম্বা লুরবা থৌদোক কয়ানা পিক থন্না য়াওবা লারিক্লি "খাঙবোক অমসুং ইকোপনিংথৌ পুয়া"। অইবসিনা পুন্সি নুংশাংনা লৈবিদুনা মখা তানা লমদমসিগী খঙবদা ৱারগদবা কয়ামা ইথোকপিদুনা খঙহনবিরক্লবা থম্মোয় শেংনা তাইবং মপুদা খুরুমজরি। ●